# চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিস, মিনিষ্টর ১৮দা ঈশিংগী বিল লুপা লাক্ষ কয়ামরুম তোল্লি



মুম্বাই, জুন ২৪ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা লৈরিবা ওফিসল বঙ্গলো 'বর্সা'না লুপা লাক্ষ কয়ামরুম ওইগদবা ঈশিংগী বিল থিদোক্তনা লৈরি হায়না ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা ঈশিংগী কনেক্সন ৬ পুশিল্লবসু কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বরদগী কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর ফাওবদা লুপা ৭,৪৪,৮৯১গী বিল থিদোক্তনা লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর অমসুং কুমজা ২০১৯গী মে থাদা পীরকপা ঈশিংগী বিলদা খেন্নবা কয়া মরুম লৈরে। মরম অদুনা মুম্বাইগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লীয়ু দি)না শেংদোক্কদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি।

বর্সা অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংগী বঙ্গলোনা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বরদা ঈশিংগী বিল থিখি। বিলদা শোইনবা খরা লৈবনা হৌজিক হৌজিক ভেরিফিকেসনগী থবক চথুরি হায়বা আর টি আইগী মতেংগী খঙবা ঙমখ্রে। সেকিল অহমদ কৌবা এক্টিবিষ্ট অমনা ফাইল তৌখিবা আর টি আইগী পাউখুমদা ফাইনান্স মিনিষ্টর সুধির মুঙ্গানতিৱার অমদি হেল্থ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেসু ঈশিংগী বিল তোল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

মিনিষ্টর অনীনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবর থাগী ওইনা লুপা ৩,৭৩,৮২৯ তোল্লি। চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা অতোপ্পা মিনিষ্টর ১৮সু ঈশিংগী বিল তোল্লি হায়বা আর টি আইগী মতেংদগী খঙবা ঙম্লে। চহী মঙাগী মনুংদা মরীরক শুবা ওইনা মহারাষ্ট্রদা ঈকং থোক্তুনা ঈশিং ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর কয়ানা ঈশিংগী বিল থিরমদবগী ৱাফম খঙনরকখিবনি।

ষ্টেট অসিদা জলযুক্ত সিবার অভিয়াননচিংবা লৈঙাক্কী স্কিম কয়া পায়খৎলবসু মফম অয়াম্বদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহনবা ঙমদ্রি। খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোক্লবা কাংবুদি লৌউ-শিংউগী শীনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনি। হৌখিবা জনুৱারি থাদগী মার্চ ফাওবদা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা লৌমী ৬১০ মশা মথন্তা শীজবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্লা জলযুক্ত সিবারদা লুপা ক্রোর ৮,৯৪৬ থাদদুনা খুঙ্গং ১৮,৬৪৯দা ঈশিং ফঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লোইখ্রবসু ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা হৌজিকসু ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি।

তোঙান-তোঙানবা মহৈ মরোং কয়া মরাং কায়না পুথোক্লিবা ষ্টেট অসিদা হন্দক চহীগী ওইনদি পোত্থোক পুথোকপা ঙমদবগী খুদোংচদবা মায়োক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

# ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ (এজেন্সি):
মীখলদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম) শীজিন্নবগী মায়োক্তা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সতা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

"ই ভি এম শীজিন্নবা য়ারোই, বেলোট পেপর শীজিন্নগদবনি" হায়না ইবা প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী এম পিশিংনা মহাত্মা গান্ধিগী মীতম মনাক্তা খোঙজং চঙশিনখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখল লোইখ্রবা মতুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মমতা বেনর্জিনা বি জে পিবু ই ভি এম শেমদোক শেমজিন তৌই হায়না মরাল শীখিবনি।

দিমোক্রেসি কন্নবগীদমক তঙাইফদনা বেলোট পেপর শীজিন্নবা মথৌ তাই। মীখলদা ই ভি এম শীজিন্নবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী ময়াৱতিনসু চপ মান্নবা মওংদা বি জে পিবু ই ভি এম শেমদোক শেমজিন তৌই হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন চন্দ্রাবাবু নাইদুনসু মীখলদা বেলোট পেপর ওইনা শীজিন্নবা মথৌ তাই হায়না ইলেক্সন কমিসনদা তকশিনখি। তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ই ভি এমগী মতাংদা চিংনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীখলদা বেলোট পেপর শীজিন্নগদবনি হায়না তকশিন্নরকখি।

মে ২৩দা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিবা হৌগদবা নুমিৎ নীনি ৱাৎলিঙৈদা ওপোজিসন পার্টি ২২গী লুচিংবশিংনা ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পেট) মশিং হেন্না শীজিন্ননবা ইলেক্সন কমিসনদা তকশিনখি।

# বারমরগী থৌদোক্তা মরাল লৈরম্বশিং চৈরাক পীগনি হায়না অসোক গেহলোটনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ (এজেন্সী):
বরমরদা টেন্ট নীংখাইরকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৪ শীখিবগী মতাংদা মরাল লৈরম্বা মীওইশিং মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেহলোটনা ফোঙদোকখ্রে।

রাজস্থানগী বারমর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা জাসোল খুঙ্গংদা ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীল্লকপদা খঙহৌদনা টেন্ট নীংখাইরকপদগী মীওই ১৪ শীখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওই ৭০গী মনুংদা ৪৫গী ফিভম লুনা লৈরি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্বারি চথনবা খঙহনখ্রে। ইক্বারিগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি। মতুং তারকপদা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

ঙরাংগী লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৫ কম্পেনসেসন পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদনা লুপা লাখ ২ পীগনি হায়রি।

লোকেল পুলিস ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখিবগা লোয়ননা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরি। লাইবক থিবা থৌদোক অমদা মীওই ১৪ শীরগা অতোপ্পা মীওই ৭০ রোম অশোক অপননংখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা অৱাবা ফোঙদোকখি। অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শীল্লকপদা টেন্ট নীংখাইরকখিবনি হায়রি।

এক্সপর্ট/নুঙশং (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুঙশংগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- নুঙশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং মরেং চৎপা, চক চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ চনপ লাউবা, মনুংদা পোম্বা, হেমোরোইদ, মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্না মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা শাবা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, ফ্রা ফ্রা লাউনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাউথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai, Saya Club, Imphal East - 795002,
P.O. Mantripukhri, P.S. Heingang #8014023792
HL-P/4317/13-27

**Study MBBS in India**
Oldest & trusted medical GUIDANCE
Direct admission Top Pvt. Medical College Recognised by MCI at law package
Package 40 lacs to 75 lacs
Karnataka (Banglore, Manglore, Shimoga, Tumkur, Sullia, Chitradurga, Kolar).
Uttra Pradesh (Delhi NCR, Lucknow, Kanpur, Mathura, Agra, Meerut, Noida)
Rajasthan (Geetanjali, NIMS, Pacific)
Chennai (Pondicharry)
Pune, Navi Mumbai (Dy Patil, Bharati Vidyapeeth, KIMS)
Aboard MBBS:
# Bangladesh; # Kyrgystan; # Nepal.
BDS, BAMS, BHMS, BCA, Vety Engg, Nursing, Mgt, Agri, Tech. etc.
HUMAN RESOURCE CENTRE
Keishampat Top Leirak, Opp. Sanaleibak Daily News paper, Imphal
Help Line No: 9402938178 / 8794758218
(HL-P/6198/10/5-7/7 (alt

BUMPER DISCOUNT SALE
- UNIFORM WHITE SHIRTS HALF/FULL - 150/- ONLY
- KIDS FULL/HALF CASUAL SHIRTS - 150/- ONLY
- KIDS HALF T-SHIRT (ALL SIZES) - 150/- ONLY
- GIRLS FROCKS (ALL SIZES) - 150-250/- ONLY
- GIRLS JEANS PANT - 295/- ONLY
- GENTS FULL/HALF SHIRTS (OLD STOCK) - 250/- ONLY
- GENTS KURTA - 150-295/- ONLY

AND MANY MORE ITEMS ARE AVAILABLE ON 25% TO 50% DISCOUNT.
NEW FRESH STOCK IS ALSO AVAILABLE
ONLY AT :- BRIGHTWAYS
THANGAL BAZAR, IMPHAL WEST
(HL-B/5380/8-30 (alt

# এন্সেফলাইটিসনা মী শীহনখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ (এজেন্সী):
মুজাফরপুরদা এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইরগা অঙাং ১৪০ হেন্না শীহনখিবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমগা মরী লৈননা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টর অমসুং বিহার গবর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে।

একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোম (এ ই এস) অমসুং জপানিস ইন্সেফলাইটিস শন্দোরকপদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদা চেকশিনহৌদবা লৈব্রা হায়বা খঙদোক্ক বগী পান্দমদা এপেক্স কোর্টনা মরু ওইবা ৱাফম অহুমদা য়ুম্ফম ওইরগা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কবা খঙহনখিবনি।

ন্যুট্রিসন লেভেল, মেদিকেল ফেসিলিটি অমদি হাইজিন লেভেলদা য়ুম্ফম ওইরগা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি। হিরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা হায়খি মদুদি, হৌজিকমক্কী ওইনা বিহারদা ফিভম লাকশিনবা ঙল্লে অমসুং এন্সেফলাইটিসকী খুদোংচাদবা মপুং ফানা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

বিহারগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী অপুনবা দিষ্ট্রিক্ট ৪০গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ২০দা এন্সেফলাইটিস শন্দোরকপা থেংনরে। জুন ১দগী হৌনা শান্দে দারক্লিবা লায়না অসিনা খ্বাইদগী চাওনা ফিভম শোকহল্লিবা মফমদি মুজাফরপুরনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অঙাং ৪৩০ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবগী মনুংদা অঙাং ১২৯ শীখ্রে। এন দি টি ভিগা উনবা অমদা মুজাফরপুরগী এম পি অজয় নিসাদনা হায়খি মদুদি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা সুপ্রিম কোর্টকী পাউখুম পীনবা থৌরাং লৌখৎলি। নোংজুথা য়ৌরকপগা লোয়ননালাইনা অসিগী চৈথাং তপ্পা তপ্পা হন্থরক্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

একুট এন্সেফলাইটিস সিন্দ্রোমগী মতাংদা বিহার গবর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎত্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল রকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা লায়না অসিগী চৈথেং ফংলব মুজাফরপুরদা চৎখিবা মতমদা মফম অদুগী মীওই অয়াম্বনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা পেন্দবা ৱাকৎ কয়া পুরখৎলকখি।

মসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখবা পটিসন অমনা হায়খি মদুদি বিহার, উত্রপ্রদেশ অমসুং সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতবা মরম্না অঙাং শীবগী চাং খৎলকপনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা বিহার, উট্টর প্রদেশ অমসু সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনামতিক চাবা পাউখুম অমা পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

# বি এস এন এলগী ইমপ্লোয়িশিং জুন থাগী তোলোপ ফংলোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ (এজেন্সি):
শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপা মরম্না ভারত সনচার নিগম লিমিটেদ (বি এস এন এল)দা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিং জুন থাগী তোলোপ ফংলোইদৌরি।

হৌজিক হৌজিক পব্লিক সেক্টর কম্পেনি অসিগী লাইএবিলিটি লুপা ক্রোর ১৩,০০০ য়ৌখিবগা লোয়ননা জুন থাদা ইমপ্লোয়িশিং তোলোপ পীনবা শেল লৈত্রে হায়রি।

বি এস এন এলগী সিনিয়র জেনরেল মেনেজর পুরান চন্দ্রনা হায়খি, থা খুদিংগী বি এস এন এলনা ফংলিবা শেনফমগা চৎলিবা শেনফমগা চান্নরক্তবা মরম্না কম্পেনি অসি মখা তানা চল্লাইবা ঙমদবগী ফিভম লাক্কদৌরি। টেলিকোম মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরীদা থাখিবা চেরোল অমদা মহাক্না হায়খি, মুৎপা য়াবগী ফিভমদা লৈরবা কম্পেনি অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীবা মথৌ তাই। হৌখিবা ফেব্রুৱরি থাদসু ষ্টেটনা চল্লাইবা টেলিকোম কম্পেনি অসিনা ইমপ্লোয়ি লাখ ১.৭৬কী তোলোপ পীবা ঙমখিদ্রবনি।

# সোস চারুবদগী লায়কন্নখ্রে

হরিয়ানা, জুন ২৪ (এজেন্সি):
হরিয়ানাগী য়মুনানগর হায়রিবা মফম অদুগী লম্বী মতায়দা থাদুনা চৌমিন য়োনবা দুকান অমদগী চৌমিনগা লোয়ননা সোস চারুবদগী অঙাং অমগী লংস শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

এজেন্সিগী পাউগী মতুংইন্না, চৌমিনগী সোস অদুদা এসিটিক এসিদকী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবনা অঙাং অদুগী লংসতা অমাং অতা থোকহনখিবনি। অঙাং অদুগী মপানা হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা অঙাং অদুগী মশা পুম্নমক মুশুক মুশিন্দুনা ব্লদ প্রেসর লো ওইবতা নৎতনা নীংশা শ্বর হোনবদা অৱাবা ওইখি। খূদক্তা ওপরেসন তৌদুনা শোক্লবা লংস অদুদা টেষ্টট্যুব হাপচিন্দুনা দোক্টরশিংনা কন্না হোৎনবদা অঙাং অদুগী থৱায় কনবদি ঙমহৌখি। হায়রিবা অঙাং অসি নুমীৎ ১৬ নি ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা থম্লুরবা মতুংদা হৌজিক তপ্না-তপ্না ফগৎলক্লে হায়রি। অঙাং অদুগী লংস তৎহনখ্রিবা এসিটিক এসিদ য়াওবা সোস অদু মপানা তৈথোক্লুবদা মপাদুগী মখূৎ খরসু চাকথেকখি হায়রি।

# ফোরেন মিনিষ্টর এস জয়সঙ্কর হৌনবী মতুং ইন্না ভারতিয়া জনটা পার্টিদা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ (এজেন্সি):
এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)দা য়াওখ্রে।

ডা. জয়সঙ্করবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কেবিনেটতা য়াওহনখিবগা লোয়ননা হৌখিবা মে ৩০দা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিগনি। চোর্ছ অমগী মতুং ইন্না জয়সঙ্করবু বি জে পিনা গুজরাটতগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌরকপা য়াই হায়রি।

মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুংদা জয়সঙ্করনা থা ৬কী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইবা মথৌ তাই। মমাঙদা সুসমা স্বরাজনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা জয় সঙ্করনা ফোরেন সেক্রেটরগী থৌ পুখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা নক্নবা মীওইনি হায়না লৌনরিবা জয়সঙ্করনা মমাঙদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবাল অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অনৌবা ফোরেন পোলিসি অমা শেমখিবনি।

কুমজা ১৯৭৭ বেটচকী আই এফ এস ওফিসর অমা ওইখিবা জয় সঙ্করনা ন্যুক্লিয়র দিপ্লোমেসিগা মরী লৈননা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগা লোয়ননা থৌরাং কয়া মায় পাকনা লৌখৎখিবী মহয় ওইনা মহাকপু মরু ওইবা মিনিষ্ট্রি অসিগী থৌপ হুনখিবনি হায়না থাজনরি। কুমজা ২০০৮দা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলায়েন্সনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈদ জয়সঙ্করনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা ইন্দিয়া-য়ু এস সিভিল ন্যুক্লিয়র দিল য়ানবা পুরকখি।

# গবর্ণমেন্টকী মতেংদগী থা খুদিংগী লুপা ৩০,০০০ ফাওবা তানবা য়ারে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৪ (এজেন্সি):
নৌনা লল্লোল ইতিক তৌনিংবা মীওইশিংগী নুংঙাইবা পাউ অমা মোদি গবর্ণমেন্টকী অনৌবা স্কিম অমগী খূদোংচাবা লৌরগা শেন্দাল লম্বীদা নৌনা খোঙজ থাংজিন্নবগী তাঞ্জা লৌবা য়ারগনি হায়রি।

জন ঔসাধি হায়রিবা লৈঙাক্কী স্কিম অসিনা কুমজা ২০২০ ফাওবদা লৈবাক অসিগী মফম ২,৫০০ কান্নবা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। মোদি গবর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী ব্লোক খূদিংমক্তা অহোঙবা হীদাক পীথদুনা বিজিনেস তৌবগী তাঞ্জা অসি পীবনি। হায়রিবা স্কিম অসি কনাগুম্বা অমনা হেক্তা এপ্লাই তৌবা য়াই।

থবক ফংদ্রবা, ফার্মাসিষ্ট, দোক্টর অমা হেক্তনা রেজিষ্টর মেদিকেল প্রেক্টিসনর দুকান হাংবা য়াগনি। অনীশুবা কেটগোরিদা ট্রষ্ট, এন জি ও, প্রাইভেট হোস্পিটাল, সোসাইটি অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংসু স্কিম অসিগী খূদোংচাবা লৌবা য়াগনি অমদি অহুমশুবা কেটগোরিদা ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা নোমিনেট তৌরবা এজেন্সিশিংবুসু অয়াবা পীরি। হায়রিবা মীওইশিংনা দুকান হাংদুনা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংনবগীদমক মীওই অদুগী স্কৱার ফিট ১২০ পাক চাওবমা মফম লৈবা মথৌ তাই।

হিদাক- লাংথক য়োনবা দুকান হাংলগা হীদাক য়োনবদা ফংলিবা কান্নবগী মথক্তা চাদা ২০ মার্জিন অমদি থা খূদিংগী হীদাক য়োনবদা চাদা ১৫ ইন্সেন্টিবসু ফংগনি। থাগী ইন্সেন্টিব য়ামদ্রবদা লুপা ১০,০০০ ওইগদবনি। ইন্সেন্টিব অসি পূন্না লুপা লাখ ২.৫০ শুদ্রিবা ফাওবা ফংগনি। থা অমদা য়োল্লিবা হীদাকশিং অদুগী মতুংইন্না য়োল্লিবা মীশক অদুনা চাদা ২০ কম্মিসনসু ফংগনি হায়রি।

**CAS COACHING CENTRE**
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR NEET EXAM 2020
Class Commencing from 1st July 2019
Seats are Limited First Come First Served
FOUNDATION COURSE
CLASSES XI & XII
New Classes Start from 1st July 2019
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/5359/25-30june/1july

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF EDUCATION
[SCHOOL]

NOTIFICATION
Imphal, the 22 June, 2019

No. 5/3/1-1)/07/DE(S)(EX): It is hereby notified for information to all concerned that the Qualifying Examination for admission to Rashtriya Indian Military College, Dehradun for the **Term Commencing July 2020 will be held on 1st & 2nd December 2019 at Ram Lal Paul Hr. Sec. School, Imphal.**

Male students who are reading in **Class – VII or VII Passed from any recognized School and born between 2nd July 2007 and 1st January 2009 is eligible for admission in July 2020 term. Last date of form submission on 30th September 2019.**

Details can be had from the OSD/Exam, Directorate of Education (S), Lamphalpat. Details are also uploaded in the official website of Education Department www.manipureducation.gov.in for information of the general public.

Sd/-Th.Kirankumar
Director of Education(S),
Manipur

HL-B/5512/25

**SERENE** Estd. 2011
Educational Foundation
Nagamapal Soram Leirak, Imphal West, Manipur # 8837444089
FOUNDATION COURSE FOR IX & X (BOSEM & CBSE)
SUBJECT : MATHS SCIENCE S. SCIENCE ENG M.M.
HR. MATHS H. SC COMP. SC. Seperate Classes for BOSEM & CBSE
TUTORIAL CLASS FOR I TO VIII STANDARD (BOSEM & CBSE)
Approach : Self Study hour under Teacher's supervision followed by 2 tutorial classes for 45 min each. Teacher Student ratio 1:10
Regular Handwritting, Vocabulary, Dictation and Weekly Test.
Van Service Available
Classes commencing on 20th June, 2019 Timing : 4:45 p.m. to 8:00 p.m.
Post Vacant for : Senior Warden (1 no.) To teach students upto XII Standard (Math/Sc) (Pay : 15K p.m.) Warden (2 nos.) to teach students upto X standard (Sc/S.Sc) (Pay : 10K p.m.) D.T.P. Operator (1 no.) (Pay negotiable)
HL-P/4300/11-30june/1-10july

S3 COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH BOSEM CLASS IX & X ONLY
SUBJECTS ARE - ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE AND MATHEMATICS
ONLY LIMITED SEATS, 20 STUDENTS PER CLASS
CLASS COMMENCING FROM 26TH JUNE, 2019
CLASS TIMING -
MORNING : 4:30 - 7:30 A.M. & EVENING 4:50 - 8:10 P.M.
SOME SEATS ARE VACANT FOR CLASS XI & XII BOTH CBSE AND COHSEM
EXPLORE YOUR EDUCATION QUALITY THROUSH US
★ VAN SERVICE AVAILABLE ★
Please Contact : 9856331259/6009164004
HL-B/5501/21